**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 17-09-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি।

২) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ৮ শুবা ইন্দিয়া ৱাটর ৱিক ২০২৪ নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপম্মদা হৌদোক্লগনি।

অমসুং

৩) চিনাগী হুলুনবুয়রদা চথরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ২০২৪ গী ফাইনেলদা ভারতকা য়ুম্বু চাইনাগা ঙসি থেংনরগনি।

------

কার্ফিয়ু (এল)ঃ মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা ঙসি অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্লি। মসিগী মতাংদা জিলাশিং অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

স্কুল (এল)ঃ মতম খরা মহৈলোইশঙশিং ছুতি থারুরবা মতুংদা ঙসিদগী অমুক মহৈলোইশঙশিং হাংদুনা মহৈ তম্বা হৌরগনি। রাজ্যগী ইজ্‌কেসন (এস)কী দিরেক্তর এল. নন্দকুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা

সরকারগী স্কুলশিং, প্রাইভেট স্কুলশিং অমদি সেন্ট্রেল স্কুলশিং ঙসিদগী মহৌশাগুম হাংদুনা ক্লাস তৌবা হৌরগনি। মসিগীদমক মরী লৈনবা জেদ.ই.ওশিংদা দরকার লৈবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, হায়র এন্দ টেকিলেক ইজ্কেসনগী জোইন্ট সেক্রেটরি লাইশ্রম দোলি দেবীনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- সরকারগী ইন্সটিট্যুসনশিং, এদেদ কলেজশিং অমসুং প্রাইভেট কলেজ খুদিংমক ঙসিদগী মহৌশাগুম হাংবা হৌরগনি।

ইন্তরনেট (এল)ঃ মণিপুর সরকারনা মোবাইল দাটা সার্ভিসতা অথিংবা থম্লম্বা অদু ঙরাংদগী লৌথোকখ্রে।

রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়- রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ফৎচিল্লক্তুবদগী হৌখিবা থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ৩ দগী তম্পাক্কী জিলা অহুম- ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবালদা নুমিৎ মঙানিগী ওইনা ইন্তরনেট সার্ভিস থিংজিনখি। থা অসিগী ১৫ দা থোকখিবা হুকুম অমদা মখা তানা থা অসিগী ২০ গী নুংথিল পুং ৩ ফাওবা ইন্তরনেট সার্ভিসকী অথিংবা থমখি। অদুমওইনমক, শান্তি রক্সাগী ফিভম খরা ফগৎলকপদগী হৌখিবা থা অসিগী ১২ দগী কন্দিসন খরদা ব্রোদ বেন্দদা থম্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকখি। মখা তানা য়েংশিনবদা শান্তি রক্সাগী ফিভম খরগা হেন্না ফগৎলকপদগী- লিজ লাইন, ভি-সেট, ব্রোদ বেন্দ অমসুং ভি.পি.এন সার্ভিসশিং য়াওনা মোবাইল দাটা ইন্তরনেট সার্ভিস থিংজিল্লম্বা অদু ঙরাং নুংথিলদগী লৌথোকখ্রে।

মুরমু ঃ রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি ৮ শুবা ইন্দিয়া ৱাটর ৱিক ২০২৪ হৌদোক্লগনি। নিউ দিল্লিগী ভারত মন্দাপ্পমদা ঙসিদগী হৌদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া ৱাটর ৱিক থৌরম অসি থা অসিগী ২০ ফাওবা চথগনি। থৌরম অসিদা লৈবাক ৪০ গী মীহুৎ ২০০ রোম য়াওনা পুন্না দেলিগেট লিশিং ৪ রোমা শরুক য়াগনি।

থৌরম অসিগী মনুং চন্না ঈচাউ থোরকপা মতমদা থেংনগদবা অমদি পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিং, থকবা ঈশিং য়াওনা ঈশিংগা মরী লৈননা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা সেসনশিং পাঙথোক্কনি। কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিল অমসুং জল শক্তিগী রাজ্য মন্ত্রি রাজভুসন চৌধরি শরুক য়াগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অহমেদবাদতা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট খরগীনা শঙ্গাখ্রে, খরগীনা যাত্রা হুনখ্রে।

শ্রী মোদিনা ঙরাং গান্ধিনাগরগী সেক্তর ৱান মেত্রো ষ্টেসনদগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী ওইনা অহমেদবাদ মেত্রো লমথাখি। মসিনা অহমেদাবদতগী গান্ধিনাগর অমদি জি.আই.এফ.টি সহরগা শমহনগনি। তুংদা, প্রধান মন্ত্রিনা অহমেদবাদকী জি.এম.দি.সি গ্রাউন্দদা লুপা কোতি লিশিং ৮ লোমগী তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট খরগানা শঙ্গাখি অদুগা খরগীনা যাত্রা হুনখি। শ্রী মোদিনা পি.এম.এ.ৱাই স্কিমগী মখাদা য়ুম শানবগীদমক অহানবা ইন্সটোলমেন্টকী শেনফমশিং থাদোকখি।

মরিসুবা আর.ই. ইনভেষ্ট গ্লোবেল রিন্যুএবল ইনর্জিগী মীফম হৌদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হৌদোকখি। তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা গান্ধিনাগরগী মহাত্মা মন্দিরদা পি.এম. সুরিয়াঘর মুফ বিজিলি য়োজনা হৌদোকখি। পি.এম. সুরিয়াঘর মুফ বিজিলি য়োজনানা লৈবাক অসিগী য়ুমথোঙ খুদিংমক্তা মৈ পুথোকবা পান্দম থল্লি।

অভিয়ানঃ স্বাচতা ই-সেভা অভিয়ান ২০২৪, ঙসিদগী হৌরগনি অমসুং মথং থাগী অনি ফাওবা চথগনি। কুমশি চহিগী থিমদি-স্বাভাব স্বাচতা-সংস্কার স্বাচতা হায়বসিনি।

খোঙজং অসিগী মনুংদা লম কোইবশিংগী কোইরকফম, কৈথেল অমদি বিল্ডিংশিং, পাৎ-তুরেল, জ, সঙ্কচুৱারি অমসুং মীয়ামগী টোইলেটনচিংবা তোঙান তোঙানবা মফমশিং লু-নান্না থমবা পাক শন্না থবক পায়খৎকনি।

নেভি ঃ নেভেল কম্মান্দরশিংগী অনিসুবা ইদিসনগী মীফম ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌরগনি। চহি অনি অনিগী ওইনা পাঙথোকপা মীফম অসিদা নেভেল কম্মান্দরশিংগী মরক্তা ওপরেসনেল অমসুং এদমিনিষ্ট্রেতিভ ইসুশিং য়াওনা লম কয়াগী মতাংদা পুন্না খন্ন-নৈনগনি।

ঙাকশেল মন্ত্রালয়না হায়- নুমিৎ মরিনি চুপা চথুগদবা মীফম অসি ঙসি চীফ ওফ নেভেল ষ্টাফনা হৌদোক্কনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ভারত নেভিনা হৌখিবা থা ৬ অসিদা পাঙথোকখিবা থবক থৌরমশিং হন্না য়েংশিনবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী ঈশিংগী লম ঙাক শেনবদা নৌনা পায়খৎকদবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্নগনি।

কেম্পেইনঃ জম্মু কাশ্মির বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলগী ভোট হয়েং থাদনরগনি। তাঙ্কক অসিদা জিলা তরেৎকী বিধান সভা কেন্দ্র ২৪ দা হয়েং ভোট থাদনগনি। ভোট থাদনগদৌরিবা জিলাশিং অদুদি-দোদা, কিস্তৱার, রমবান, অনন্দতানাগ, পুলৱামা, কুলগাম অমসুং সোফিয়াননি।

অনিশুবা তাঙ্কক্কী ভোটনা থা অসিগী ২৫ দা অদুগা অহুমশুবা তাঙ্কক্কীনা মথং থাগী ১ দা ভোট থাদনগনি। ভোট মশিং মথং থাগী ৮ দা থিগনি। জম্মু কাশ্মিরদা জেনরেল সিট ৭৪, সেদ্যুল কাষ্টকী ৭ অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবকী ৯ য়াওনা পুন্না বিধান সভা কেন্দ্র ৯০ লৈ।

তাঙ্কক অমত্তদা মীখলগী ভোট থাদনগদৌরিবা হরিয়ানদসু ভোট খোন্থগী থবক কনখৎলক্লি। সিট ৬০ লৈবা রাজ্য বিধান সভাগী মীখলগী ভোট মথং থাগী ৫ দা থানগনি।

ভাস্কর ঃ কেন্দ্রগী কম্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা ঙরাং নিউ দিল্লিদা ভারত ষ্টার্টঅপ নোলেজ এসেস রেজিষ্ট্রি (ভাস্কর) হৌদোকখ্রে। ভাস্কর অসি ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী মরুওইবা ষ্টেগ হোল্ডরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা পাউ ফাওদোকদুনা মখোয়গী থাক ৱাংখৎহন্নবগী পান্দমদা ওনলাইন প্লেটফোর্ম ওইনা পুথোকপনি।

থৌরমদুদা ৰা ঙাংবদা শ্রী গোয়লনা হায়- ষ্টার্টঅপ ইকো সিষ্টেমদা ভারত অসি মালেমগী হব অমা ওইহন্নবগীদমক ওন্তরপ্রেন্যুরশিং অমসুং অতৈ ষ্টেগ হোল্ডরশিংনা অঙন্বা থৌদাং য়াদুনা কন্না হোৎনগদবনি। মহাকা হায়- ভাস্কর অসিনা ওন্তরপ্রেন্যুরশিংগী মরক্তা অমগা অমগা চাংদমবা হেনগৎহনগনি।

য়ুরোপ ঃ  ময়াই থংবা য়ুরোপগী চ্যেক রিপাব্লিক, পোলেন্দ অমদি ওষ্ট্রিয়াদা ঈচাউ থোকপদগী শোকপা অমদি শিবা মীগী মশিং হেনগৎলক্লি। চ্যেক রিপাব্লিক্কী মিদিয়া রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না লৈবাক অদুগী অৱাং নোংপোক থংবদা লৈবা ব্রুমতাল টাউনদা মীওই অমা ঈশিংনা চেন্থখিবা য়াওনা মীওই ৭ থিবা খঙদনা লৈরি। ঈচাউ অসিনা মরম ওইরগা পোলেন্দদা মীওই মরি লৈখিদ্রে। ওষ্ট্রিয়াদগীনা মীওই অনি লৈখিদ্রে হায়রি।

হোক্কি ঃ  চিনাগী হুলুনবুয়রদা চথরিবা এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি ২০২৪ হোক্কিগী ফাইনেলদা ভারতকা য়ুম্বু চাইনাগা ঙসি থেংনরগনি। ফাইনেল মেটচ অসি ভারতকী মতমদা নুংথিল পুং ৩ মখায়দগী হৌগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ভারতনা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ৪-১ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখিবনি। ভারতকী পাঞ্জল ৪ অদুগী মনুংদা হরমনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল ২, অদুগা উতম সিংহ অমসুং জরমনপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল অমমম চনখি।

চেম্পিয়নসিপ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা চাইনানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ২-০ দা মায়থিবা পীরমখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙরাং অসি পিশাতাওগী ছুতি ওইখিবনা মরম ওইরগা ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুবু তমেংলোং জিলাদা গানফিউ মেল অমসুং তমেংলোং টাইমস পাউচে ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- মিনিষ্টর খাসিম ভাসুমগী উখ্রুলদা লৈবা য়ুমদা থা অসিগী ১৪ দা বোমগী এটেক চথরম্বা থৌওং, য়ুনাইতেদ নাগা কাউন্সিলনা য়ানিংদবা ফোংদোক্লি হায়বা পাউ, লো এন্দ ওর্দরগী ফিভম ফগৎলকপদগী মণিপুর সরকারনা ইম্ফালদা স্কুলশিং ঙসিদগী অমুক হন্না হাংহনখ্রে হায়বা পাউশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

তমেংলোং টাইমস পাউচেদা তম্পাক্কী জিলাশিংদা ইন্তরনেটকী অথিংবা থল্লম্বা হন্দোকখ্রে, ওল মণিপুর ৱার্কিং জরনেলিষ্ট য়ুনিয়ন (অমজ)গী গোল্ডন জ্বিলিগী থৌরম মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখে, সেনাপতি জিলাদা চিকন পোক্সকী কেস মশিং হেনগৎলক্লি- হায়বা পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংলি।

------